এক্স মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারগী মায়োক্তা তৌরকপা ইলেক্সন কেসকী ৰায়েলদা ৰিটনেস ২গী রেকোর্দিং তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : তরামাথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০১৭তা ১২-কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী নেসনল পিপলস পার্টিগী টিকেটতা কারক্তুনা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা হায় কোর্টনা কেস অসিগী ৰায়েলগী শরুক অমা ওইরিবা কোর্টনা এপোইন্ট তৌখিবা লোকল কম্মিস্নরনা ৰিটনেস অনীগী রেকোর্দিং তৌননবা অমুক্কসু দিরেক্সন পীখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি মীখল অদুদা এক্স মিনিষ্টর অসিগা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা লাইশোম ইবোমচানা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বরনা ১১ ওফ ২০১৭নি। অদুগা কেস অসিদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবশিংনা এক্স মিনিষ্টর অসি য়াওনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী স্পোন্সর কেন্দিদেট ওইখিবা মীওই ৬কা পূন্না ৭নি।

মেট্টর অসি মহৌশাগুম মসিগী মখা তাবা ৰায়েল চথনবগীদমক ঙরাং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ওইরিবা এল ইবোমচাগী মায়কৈদা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপখি অদুগা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৰান ওইরিবা এক্স মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী কাউন্সেল এ গোল্লিনা লেপখি।

কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপ্লা কাউন্সেলশিংগী ৰাফম তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরনা খঙহনখিবশিংদি কোর্ট অসিনা মমাঙ থাগী ২৫দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না মীখল পাঙথোকখিবা মতম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ওইখিবা সী অর্থর ৰোরচুইয়োনা লোকল কম্মিস্নরগী মমাঙদা থা অসিগী ৮দা লাকখি। মহাক্কী ইভিদেন্সশিংগী রেকোর্দিংদা ওফিসর অসিনা হায়রিবা মতম অদুদা মহাক্তি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও) গী পোষ্ট পায়খিদে। মসিনা মরম ওইরদুনা মীরেপ ওইখিবা এল জয়ন্তকুমারগী ইলেক্সন এক্সপরিএন্সকা মরী লৈনবা রেকোর্দশিং ইভিদেন্সকীদমক পুথোকপা ঙমদে হায়খি হায়রি।

লোয়ননা ওফিসর অসিগী মায়কৈদগী করিগুম্বা অতোপ্পা মতম অমা মঙোন্দা পীরবদি হায়রিবা ইভিদেন্সশিং অদুগী মরী লৈনবশিং মহাক্কী মায়কৈদগী পুথোকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ওফিসর অসিগী মায়কৈদগী পুথোক্কদবা দোক্যুমেন্টশিংনা কন্টেষ্টেন্ট কেন্দিদেট লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমার (এন পি পি) গী দে টুদে একাউন্ট ওফ ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী মেন্টিনেন্সকী পার্ট-এ দোক্যুমেন্টশিং, কন্টেষ্টেন্ট কেন্দিদেট অসিগী দে টুদে একাউন্ট ওফ ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী মেন্টিনেন্সকী পার্ট-বি, কন্টেষ্টেন্ট কেন্দিদেট অসিগী দে টুদে একাউন্ট ওফ ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী বেঙ্ক রেজিষ্টারগা মরী লৈননা পার্ট-সী, কেন্দিদেট অসিগী সেদো লেজিষ্টর অমসুং কেন্দিদেট অসিগী সী ঈ রুলস, ১৯৬১গী রুল ৮৯গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী স্ক্রুটিনি রিপোর্ট ওফ ইলেক্সনগী দোক্যুমেন্টশিংনি হায়খি।

ৰাফমশিং অসিগী মতুংইন্না ইভিদেন্সশিং রেকোর্দিং তৌনবগীদমক কোর্ট অসিনা লোকল কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবা কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৪দা অইবা চেরোল অমা কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) দা পীশিল্লকখি হায়রি। লোয়ননা কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সী অর্থর ৰোরচুইৰো হায়রিবা ওফিসর অসি লোকল কম্মিস্নরগী মমাঙদা লাক্লবা নুমিৎ অমা লেপ্পবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিং অসি লোকল কম্মিস্নরদা হায়রিবা মতম অদুদা মহাক্না মীওই অমা থারক্তুনা য়ৌহল্লক্কবসু দিরেক্সন পীখি।

কোর্টনা মসিগী রেজিষ্ট্রিদসু কেস অসিগী রেকোর্দশিং মীওই অমা থাদুনা লোকল কম্মিস্নরনা লেপ্পা নুমিৎতা পীননবসু খঙহনখি। অদুগা ওফিসর অসিগী ষ্টেটমেন্টশিং রেকোর্দেদ তৌনবগী মতম মাঙজৌননা খঙহল্লক্কবসু দিরেক্সন পীখি।

অনীশুবা কেস অসিগী রেকোর্দিং তৌগদৌরিবা ৰিটনেসকী মতাংদদি কাউন্সেল এ মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদগী ৰিটনেস অসিগী য়ুম্নাক্তা লানখিবদগী কোর্টনা ইস্যু তৌবা সমন অদু লৌ হায়বা য়াদ্রে। মরম অদুনা অনীশুবা ৰিটনেস (ওফিসল) অসিগী মমিং গোসাইময়ুম সারোজিনি, খুয়াথোং পোলেম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইগদবনি হায়রকপদগী কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সী অর্থর ৰোরচুইৰো অমসুং জি সারোজিনিদা অনৌবা সমন নোটিশশিং ইস্যু তৌনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মেট্টর অসিগী মখা তাবা ৰায়েলগীদমক কেস অসি জন্যুৱারী ১৫, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

কম্ম্যুনিটি হোল মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা লন্নাই এ সীগী তেল্লৌ-চানা-শৈজাং জিলা পরিষদকী মেম্বর এ জামিনিনা অহুমশুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন ২০১৯-২০গী মখাদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোল অমা শঙ্গাদুনা ঙসি শৈজাং খুলগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

শৈজাংদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচাশু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শৈজাং শঙলুপকী সেক্রেটরিনা কম্যুনিটি হোল অমা শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবিবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়শিংদা খুৎশু খুৎলায় উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : ঙসি লৈবাক অসিনা পাঙথোক্লিবা বিজয় দিবস নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুর অমসুং মিজোরাম ঙমখৈ পরিংদা লৈবা পারবুং অমসুং সেনভোনদা ৩৪শুবা অসাম রাইফ্লস আইনা বট্টালিয়ননা মহৈরোয়শিংদা খুৎশু খুৎলায় উৎপগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মহৈরোয়শিংবু বিজয় দিবসকী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সতা য়াওহন্নীংবগী ৰাখল পোক্নবগী মতাংদনি। প্রোগ্রাম অসিদা মহৈরোয় ৭০ রোম অমসুং টিপাইমুখ সব দিভিজনগী এস দি ওনা লুচিংবা ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (আর্ট এন্দ কলচর) না লাইনিংথৌ থাংজিং অমসুং কৌব্রুগী খুভমলেন ওইরিবা কৌব্রু চীংগী লাইফমশিংবু লৈঙাক অসিগী হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্তকী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থম্ম বা মমাঙ থাগী ২৬তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুবু মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মরুপ অসিগী সেক্রেটরিনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী য়েলহৌমীশিংগী শেংলবা লাইফমলেন অনী অসিবু ঙাক শেন্দুনা থন্বীবদা ঐখোয়গী পুৰারী অমসুং লাইনীং লোনগা মরী লৈনবা মফমশিংবুসু কোনশিনবীহৌনবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙনা কৃপ্না য়েংশিলহন্নীংই হায়রি।

ইরমদম মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম্নসু ফুরুপ অমসুং লাইনীং লিচৎকী খেন্নবা থন্বীদনা অমদি পোলিটিকেলগী খেন্নবা ৰাখল্লোন পূম্নমক থাদোকপীরগা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌশিল অসিবু মতেং পীবীয়ু হায়নসু মরুপ অসিনা আপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্তকী মখাদা লৈরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না ঙাক শেন্দুনা থম্লক্লিবা লমদম অসিগী পুৰারীগা শাগোন্নরকপা লাইফমলেনশিংগী মনুংদা মোইরাংগী লাইনিংথৌ থাংজিং অমসুং কৌব্রুগী লাইফমলেনশিং অসিসু মরু ওইবশিং ওইরিবনি।

জিরিবামদা বি জে পিগী পোলিটিকেল ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ূক পুং ৬ তারকপদগী হৌরদুনা জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা সুপর মার্কেটকী মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্সকী হোলদা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা বি জে পিগী পোলিটিকেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি বি জে পি কেন্দ্রিয়া প্রসিক্ষন বিভাগ মন্দল প্রসিক্ষন সিরবিরনা শীনবনি। হৌদোকপগী থৌরমদা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইন চার্জ অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ট্রেনিং দিপার্টমেন্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট সরদা অধিকারিময়ুম, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মীতৈ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রোটোকোল কম্মিটিগী চেয়রমেন কে সরতকুমার, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপর্সন এস শান্তি, বি জে পি মহিলা মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিরোকা পেবম, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৰাঙাঙলোই এল বিরজিৎ, এক্স মিনিষ্টর এ বিরেন, বি জে পিগী এক্টিভ মেম্বর এলাংবম দিটি কুমার, টি ঐচ রোনশং, এন বুধচন্দ্র অমদি বি জে পি ট্রেনিং দিপার্টমেন্টকী মেম্বর আই মিনকান্ত অমদি বি জে পিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

য়ু জি সীগী নোর্মস মখাদা মীং চলহল্লু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা য়ু জি সীনা শকখঙবা ইন্সটিট্যুসন অমদগী গ্রেজুয়েসন ক্বালিফিকেসন য়াওদবা মহৈরোয়শিংবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা এম এ কোর্সশিং তমহনগনি হায়বসি চুমদে। মরম অসিনা অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ, মণিপুরগী মায়কৈদগী ৰাথোক অসি লোইশিন্নবগীদমক য়ু জি সীগী নোর্মস মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মাষ্টর কোর্সশিং তম্নবগীদমক মীং চলহল্লু হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 436/SDC/IW-L/2020

Chirom Kaminikumar Singh S/o Chirom Joychandra Singh of Singjamei Chirom Leikai.

-Vrs-

Late Laishram (N) Chirom (O) Ibemnungshi Devi W/o Kaminikumar Singh of Singjamei Chirom Leikai.

[illegible] / **NOTICE**

15 / 12 / 2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লাইশ্রম নিংঙোল চিরোম ওংবী ইবেমনুংশী দেবী পতি কমিনিকুমার সিংহ সাং শীংজমৈ চিরোম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫১-অখামগী অনৌবা পাট্টা নং ৬০ দাগ নং ৬ এরিয়া ২.১৩০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/8275/17 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 435/SDC/IW-L/2020

Yumkhaibam Umarani Devi W/o Yendrembam Dilip Singh of Thangmeiband Maisnam Leikai.

-Vrs-

Late Yumkhaibam (N) Bheigyabati Devi D/o (L) Khomdon Singh of Uripok Khoisnam Leikai.

[illegible] / **NOTICE**

15 / 12 / 2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার য়ুমখাইবম নিংঙোল ভৈগ্যাবতি দেবী পী: মৃ: খোমদোন সিংহ সাং উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২২০ দাগ নং ১২৬ এরিয়া ১.২৫০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/8275/17 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK

Ref :- Mutation case no. 1052/AS & SO/VIII-Kak of 2020

Elangbam Thoibi Devi W/o (Late) Kumar Singh of Langmeidong Maning Awang Leikai. - Petitioner

-Vrs-

(Late) Elangbam Kumar Singh S/o (Late) Ibotombi Singh of Langmeidong Maning Leikai. - Opp

[illegible] / **NOTICE**

Kakching, the 13th December, 2020

Under Section 46(3) MLR & LR Act-1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি খুল নং৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নম্বরশিং (১) পাট্টা নং ৩৬০ অরিবা, ৯১৩ অনৌবা দাগ নং ৯২ এরিয়া ১.৬০ একর, (২) পাট্টা নং ১১৬০ অনৌবা দাগ নং ৪২২৯ এরিয়া ১.৪৮ একর, (৩) পাট্টা নং ৬০২ অরিবা, ৭২৩ অনৌবা দাগ নং ১০৫৬ এরিয়া ১.৭৫ একর, (৪) পাট্টা নং ২ অরিবা, ৮৫০ অনৌবা .৩০০৬ এরিয়া ১.০৭ এরিয়া, (৫) পাট্টা নং ৫ অরিবা, ২৬ অনৌবা, দাগ নং ৯৬ এরিয়া .৮৬ একর, (৬) পাট্টা নং ৪৬৩ অরিবা, ১৫২ অনৌবা, দাগ নং ১৯৮ অমসুং ৬৮ এরিয়া .৪৬ অমসুং .৪৭ = .৯৩ একর, (৭) পাট্টা নং ২৩ অরিবা, ৪৮ অনৌবা, দাগ নং ১০৬৯ এরিয়া .৬৫ একর ইংখোল অমসুং ফৌরেল লৌফমশিং অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত পাট্টাদারগী লমশিং অসি দংকারিনি। মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ২৪/১২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

***Sd/-* K. Niranjan Singh**

HL-B/6626/17 Assistant Survey & Settlement Officer VIII-Kak

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 417 of 2020

1. Ningthoujam Ratan Singh S/o (L) Kalachan Singh of Leimaram Makha Leikai. (0.17094 acre)
2. -do- (o) Mema Devi W/o Kanhai Singh of -do- (0.17094 acre)
3. -do- Somendro Singh S/o (L) Chandramani Singh of -do- (0.17094 + 0.46594 = 0.63688 acre)
4. -do- Sunil Singh S/o -do- of -do- (0.295 + 0.7514 = 1.0464 acre)
5. -do- Jamson Singh S/o -do- of -do- (0.295 acre)
6. (0.0345 acre Lambi of applicant no. 1, 2, 3) -Applicants

-Vrs-

1. Ningthoujam Yumjao Singh S/o (L) Nungnangkhomba of Leimaram.
2. -do- Chaoba Devi W/o (L) Anganjaoba Singh of -do-
3. Thiyam Naba Singh S/o Iboyaima Singh of -do-
4. Thangjam (N) Tombi Devi D/o (L) Madhop of Uripok Khoisnam Leikai.
5. Yambem John (Nabalok) S/o Pishak Mama Tombi Devi.

-OP. Pattadar

[illegible] / **NOTICE**

Oinam, the 16th Dec., 2020

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৮-লৈত্রামগী পাট্টা নম্বর ২১৬ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১১৯৩ এরিয়া একর ২.৭২ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার ৫গী মিং কক্লগা দংকারিশিংদা মাগী-মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৰাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam HL-P/8277/17

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK

Ref :- Mutation case no. 1053/AS & SO/VIII-Kak of 2020

Elangbam Thoibi Devi W/o (Late) Kumar Singh of Langmeidong Maning Awang Leikai. - Petitioner

-Vrs-

(Late) Elangbam Kumar Singh S/o (Late) Ibotombi Singh of Langmeidong Maning Leikai. - Opp

[illegible] / **NOTICE**

Kakching, the 13th December, 2020

Under Section 46(3) MLR & LR Act-1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং৭০-নুঙ্‌ স্নামহী পাট্টা নম্বরশিং (১) পাট্টা নং ৩৫৩ অরিবা, ১১/Part অনৌবা দাগ নং ৯৯ অমসুং ১০০ এরিয়া ২.৮৩ অমসুং .৪৩ একর (২) পাট্টা নং ১৭১ অরিবা ২৯২/Part অনৌবা, দাগ নং ৯২ এরিয়া .৬২ একর (৩) পাট্টা নং ৪৫৪ অরিবা, ৪৬১ অনৌবা, দাগ নং ১৫৪৭ এরিয়া .৯৪ একর (৪) পাট্টা নং ৫৯ অরিবা, ৫১১/A অনৌবা, দাগ নং ৮৯ এরিয়া .৭০ একর (৫) পাট্টা নং ১৩ অরিবা ১৪ অনৌবা, দাগ নং ১৬৭৩ এরিয়া .৬০ একর (৭) পাট্টা নং ৪৫৫ অরিবা ৬৬৩ অনৌবা দাগ নং ৯৪ এরিয়া ১.০৭ একর (৮) পাট্টা নং ৭৩১ অনৌবা, দাগ নং ৯৩ এরিয়া .৬২ একর (৯) পাট্টা নং ৩১৯ অরিবা, ৩ অনৌবা, দাগ নং ১৬০ এরিয়া ১.১৪ একর (১০) পাট্টা নং ২২৫ অরিবা, ৩২৩/৮৯০ অনৌবা দাগ নং ১৭২/২৪০ এরিয়া ১.৫১ একর হায়রিবা লৌফমশিং অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত পাট্টাদারগী লমশিং অসি দংকারিনা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ২৪/১২/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

***Sd/-* K. Niranjan Singh**

HL-B/6626/17 Assistant Survey & Settlement Officer VIII-Kak

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৰানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৰাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৰাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৰাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

[illegible]

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Class starting from 10th Dec. 2020 under strick SOP guidelines

For Class XI & XII
Subject offered are:
Maths
Physics
Chemistry
Biology

For Class X
Subject offered are:
Science
Maths
Social Science
MIL

Class timing:
6:00 am - 9:00 am
10:00 am - 2:00 pm

*First come first serve

For more details please contact:
9089770462, 9856331259

HL-B/6584/5/12-1/02

CROSSWORD-3649



ACROSS

1 Holy journey (10)
7 Obvious (7)
8 Period (4)
10 Weak spot of Achilles (4)
11 Souvenir (8)
13 Medical practitioner (6)
15 Groups of twelve (6)
17 Indoor footwear (8)
18 Wet weather (4)
21 Fete (4)
22 Something offensive to look at (7)
23 Local charity organisation (5,5)

DOWN

1 Balance (5)
2 Untruths (4)
3 Putrid (6)
4 Figure of speech (8)
5 Rubbish (7)
6 Wesleyan (9)
9 Staff (9)
12 Grumble (8)
14 Large city in Illinois (7)
16 The East (6)
19 Dwelling-place (5)
20 Pavement edge (4)

Solution 3648

■	C	O	R	R	E	C	T	I	N	G	■	■
■	R	■	E	■	R	■	E	■	I	■	J	■
C	A	U	T	I	O	U	S	■	T	H	E	N
■	N	■	S	■	S	■	T	■	R	■	S	■
■	E	X	I	T	■	M	A	G	E	N	T	A
■	■	■	N	■	T	■	T	■	■	■	E	■
■	B	E	A	C	H	C	O	M	B	E	R	■
■	R	■	■	■	I	■	R	■	A	■	■	■
S	A	P	P	E	R	S	■	S	T	O	P	■
■	Z	■	A	■	T	■	F	■	S	■	R	■
M	I	S	T	■	E	N	O	R	M	O	U	S
■	L	■	I	■	E	■	A	■	A	■	N	■
■	■	S	O	M	N	O	L	E	N	C	E	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3448

	1	9						
5	8					6		
3	2						4	9
		1	6		2			5
			3		7			
9			5		8	4		
1	5						3	7
		6					9	4
						8	1	

Solution-3447

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

2	5	7	9	8	4	3	1	6
8	9	3	6	2	1	7	4	5
6	1	4	5	7	3	2	8	9
9	8	5	1	4	2	6	7	3
7	3	1	8	6	5	4	9	2
4	6	2	7	3	9	8	5	1
3	7	9	2	5	8	1	6	4
1	2	8	4	9	6	5	3	7
5	4	6	3	1	7	9	2	8



লময়ানবা ইরাবত [illegible]

ৰারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম
[illegible]

নুমিৎ তরেৎনিদগী হেন্না লৈৎবগী অয়াবা ফংদবদগী মহাক কাছারদা অমুক চৎখিরম্মী।
[illegible]



কাছারদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওইনা প্রোভিন্সিএল এসেম্বলিগী মীরেপ ওইনা লেপ্লম্মী। মার্কনা লাল্টেন ওইরম্মী।
[illegible]



মাগী মায়োক্তনা কোংগ্রেস পার্টিনা মফমদুগী জামিন্দার সতিন্দ্র মোহন্না ওইরম্মী, মার্কনা কৈ ওইরম্মী।
[illegible]